# বিসেস ফুবগী মতাংদা মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোনা তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে ঃ য়ুথ ফোরম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ২০ঃ

শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্ট বিসেস হুইরেমবু হৈরোক কেন্দ্রগী এম এল এ মিনিষটর এম ওকেন্দ্রোগী এস্কোর্টনা ফুখিবগী মতুং তারকপা ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সীলনা হৈরোক কন্সটিটুয়েন্সীদা শুমাঙ লীলা শান্নরোই হায়না ফীরেপ লৌখিবা অসি কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী মীয়ান্না য়ান্না নুংঙাইতবা অমদি ইকাইবা ফাওই হায়না য়ুথ ফোরমনা ফোঙদোক্লি।

শুমাঙ লীলা কাউন্সীলনা লৌরিবা অকনবা ফীরেপ অসি মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোনা লাল্লে হায়রবদি খোঙফম অসি হন্দোক্কনি হায়বগী ৱাফম লৈবনিনা মহাক্না তুমিন্না লৈশিনফম থোক্তে হায়না চেরোল অমগী মতুংইন্না হৈরোক কন্সটিটুয়েন্সীগী মীয়ান্না শুমাঙ লীলা অমদি ঈশৈ নোংমাই অসি তৎন থানবা য়াদবা অমদি হীরম খুদিংদা কান্নবা পাউজেল কয়া পীবা ওইবনিনা হৌজিক কন্সটিটুয়েন্সী অসিগী মীয়ান্না মফম অমতদা লীলা য়েংবা ফংলোইদৌবা অমদি ইকাইবা ফাওরিবসি কন্সটিটুয়েন্সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা অমদি ৱাথোক অসিগী মপুং ওইবা মীশক অমসু ওইনা মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোনা য়ান্না শেংনা খঙফম থোকই হায়রি।

য়ুথ ফোরম হৈরোকনা এম এল এ মশাদগী করিগুম্বা মমিং চেন্নবা ৱাথোক অমা থোরকপদগী কন্সটিটুয়েন্সী অসিগী মীয়ান্না চৈথেং ফংবা হৌরকপদগী তঙাইফদনা ৱাফম অসি হৌদোকপনি। করিগুম্বা মিনিষ্টরনা লাল্লুদবা নৎত্রগা ৱাথোক অদুগা মরী লৈনদবা ওইরবদি মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সীলগী ফীরেপ অসি ফোংনা চেলেঞ্জ তৌফম থোকই হায়বা ৱাফমসু চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

মিনিষ্টর মশানা মরম ওইদুনা হৈরোক কন্সটিটুয়েন্সীদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সীলনা লীলা অমতা শান্নররোই হায়না অকনবা ফীরেপ লৌখ্রবা ফাওবদা কেন্দ্রগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট করি অমতা য়েংদনা মিনিষ্টর ওকেন্দ্রোনা তুমিন্না লৈশিল্লিবসিবু ডিসেম্বর ১৮, ২০১২ দা চান্দেলগী মহা ইডনিয়ন হায়স্কুলদা পাঙথোকপা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমদা থৌরম অদুগী কম্পিয়ার ওইখিবী মণিপুরী ফিলমগী আর্টিষ্ট মোমোকোবু এন এস সি এন (আই এম)গী লেপটেনেন্ট কর্নেল লিভং ষ্টোননা তমথিনা ফুরকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরবসু লিভিং ষ্টোন অমদি এন এস সি এন (আই এম)না তুমিন্না লৈশিনখিবা অদুগী মতৌ তল্লিব্রা হায়বা ৱাফমসু পুথোকলক্লি।

হৈরোক কন্সটিটুয়েন্সীগী ইতিহাসতা কন্সটিটুয়েন্সী অসিগী মীহুৎ অমনা খুন পুন্নমক্কী মীয়াম্বু হন্দক্কী অসিগুন্না হৱোই নুংঙাই হন্দবা অমদি ইকাইবা ফাওহনখিবা য়াওখিদ্রি।

শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্ট অমা তমথিনা ফুরুবগী ৱাহৌদগী হৈরোক কেন্দ্রগী এম এল এ মথক্তা পেন্দবা ফোংদোকপা ওইনা আর্টীষ্ট শিংনা লৌখিবা ফীরেপ অসি হৈরোক পন্সটিটুয়েন্সীগী ওইনদি অমম্বা পুৱারী অমা কন্সটিটুয়েন্সী অসিগী এম এল এ ওইরিবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা শেল্লবনি হায়না য়ুথ ফোরম হৈরোক্না লৌই হায়রি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অহানবা সেসন হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী অহানবা সেসন গভর্ণমেন্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক কলেজগী কেম্পসতা ঙসিদগী হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ডাইস চাঞ্চেলর নাওরেম খোগেন্দ্র সিংহনা হায়খি, হৌখিবা চহী ২০ দগী ষ্টেট অসিগী কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা মঙ মঙদুনা লাকখিবদু ঙসিদি মঙ ফাওনরে। মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজ অসি য়োকখৎপা অমদি মাঙহন্দনা থম্বদা য়ুনিভর্সিটি অসিনা অচৌবা থৌদাং শোয়দনা য়ারগনি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্টার লোংজম জয়চন্দ্রনা থৌরমদুদা ফোঙদোকখি মদুদি য়ুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক থাঙ-তা, থিয়েটর, ভিজুয়েল আর্ট, উমংলাই হরাওবা, সঙ্কীর্ত্তন, দান্স ম্যুজিক অমদি ত্রাইবেল ষ্টদিজ য়াওনা দিপার্টমেন্ট নিপাল হাংলে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকলটি মেম্বর ১৯ অমদি ষ্টাফ খল্লে।

হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিদা মিং চল্লবা মহৈরোইশিংদি থাঙ-তাগী ২২, থিয়েটর গী ১৫ ভিজুয়েল আর্টকী ৯ উমংলাই হরাওবগী ১৫, সঙ্কীর্ত্তনগী ৩৭, দান্সকী ২০, ম্যুজিক্কী ২৮ অমদি ত্রাইবেল ষ্টেদিজগী ৮ নি।।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কমিস্নার কাংজম রাধাকুমার অমদি ডাইরেক্টর ডা. কে সুসিলসু শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসি মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্বা ডি সনমুগ নাথন, চীফ মিনিষ্টর ওইবোবী অমদি ডিপুতি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম গা লোয়ননা অগষ্ট ১২,২০১৬ তা হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখিবনি।

# মোরে তাউন্দগী স্ট্রিট লেম্পশিং অয়াম্বনা মৈ ঙান্দ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

মণিপুরগী ঙমখৈ তাউন্দ অমা ওইরিবা মোরে তাউন্দগী লম্বীদা থানবা স্ট্রিট লেম্পশিং অয়াম্বা মৈ ঙানদ্রে।

মোরে তাউন্দগী মীওইশিংনা ফোঙদোকলকপা মতুং ইন্না থা কয়াগী মমাঙদগী মোরে তাউন্দগী লম্বীদা থাল্লিবা স্ট্রিট লেম্পশিং অসি অয়াম্বনা মৈ ঙান্দনা লৈরকখিবনি।

ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা মসিগী মথক্ত লল্লোন ইতিক্কী অচৌবা মফম অমা ওইরিবা তাউন্দসি নুমিদাংগী মতমদা মৈ মম্বনা মরম ওইদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা মতমদা মফম অদুগী প্রজাশিংনা অৱাবা কয়া মতম চুপ্পদা মায়োক্নরি হায়রি।

তাউন্দ অসিগা নক্কনা লৈরিবা ম্যান্মারগী তুমুদদি নুমিদাং খুদিংগী মৈনা পুমঙান ঙাল্লি। অদুগা নুঙাইরিবা ৱাফম অমনা তুমুগী লম্বীশিংদা ঙান্না থাল্লিবা মৈশিং অসি মণিপুরদগী পীরিবনি।

# নোংলৈ নুংশিৎনা দিমাপুরদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সি চাওনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা খঙহৌদনা লাকপা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মরম ওইদুনা দিমাপুর সহরগী মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা উ-ৱা ফুকতোকখিবতা নত্তনা ইলেক্ত্রিক পোষ্ট কয়া ফুকতোকখিবনা সহর অসিগী মফম কয়া মৈ মমদুনা লৈরি। সহর অসিগী লম্বী কয়াদা উ-ৱা অমদি ইলেক্ত্রিক পোষ্টশিং তুশিন্দুনা লৈবদগী গারী লাম্থোক লানশিন্দা চাওনা অকায়বা পীরে। সহর অসি ফাওদুনা চেল্লিবা ইন্টর ষ্টেট বসশিং চেম্থোক চেনশিন্দসু অপনবা ওইদুনা গারী কয়া চেনবা য়াদদুনা লৈরে।

হৌজিকসু দিমাপুর সহরগী মফম কয়াদা হায় তেন্সন ৱায়ারশিং তাশিন্দুনা লৈবদগী মীয়াম্না লাম্থোক লানশিন তৌবদা অকিবা পোক্নরে হায়রি।

# লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা মহৈরোইশিংনা থোমজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

সেপ্টেম্বর ১৮ গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবগী অদুৱাইদা লিলোং হায় মদ্রাসাদা ক্লাস নাইন তম্বী মহৈরোই নুপীমচা অমবু স্কুলদগী ময়ুমদা হল্লকপদা লিলোং খুনৌদা এমদি ফারীক (চহী ৩০) কৌবা নহা অমনা মখৌরি মেৎলগা মোলেষ্ট তৌনবা হোৎনখিবা থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা পুলিস কস্তদিদা লৈরিবা এম দি ফারুক থাদোকপা য়ারোই, মহাকপু দন্দি পীয়ু হায়না তকশিল্লদুনা ঙসি নুংথিল মহৈরোইশিংনা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনখ্রে। মহৈরোইশিংনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি হায়রি।

# পাউমীগী ওরিয়েন্টেসন প্রোগাম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটিরাজগী মনিরেদা মোনিতারিং সেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২ দা পাউমীশিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগাম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অদু হৌদোকপদা আর দি এন্দ পি আরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী জে সি রা থঙ্গা, অমজুগী প্রসিডেন্ট ৱাংখেমচা শমজাই অমদি আর দি এন্দ পি আরগী ডাইরেক্টর কে শ্যামসুন্দরনা মথং শিংনা অথোইবা মীথুং থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইগনি হায়রি।

# আই এম না মীওই অমা ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ২০ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজফয়ার তৌনদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা চহী ১৬ হেন্না ৱারী শান্নদুনা লক্লিবা এন এস সি এন (আই এম)না মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাদুনা পুখ্রে হায়রি।

ফাখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অদুদি তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা মচি ব্লোক্কী খোলাংখোং ভিলেজদগী য়াইমা মরিংনা পি দি করুংথাং মরিং (চহী ৩০)নি। মহাক মমাঙগী এ দি এস গী মীখলদা এন এস সি এন (আই এম)গী কাদরশিংদগী নাইন এম এম পিষ্টোল অমা লাকখিবগী থৌদোক লৈখি হায়রি।

চৈরকসিদা ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবগী অদুৱাইদা উখ্রুল ডিষ্টিক্টকী সোমদাল পুলিস ষ্টেসনগী রিঙ্গুই ভিলেজদা টাটা ট্রক অমা লোকখাদা ওন্থবগী থৌদোক্তা গাড়ী অদুদা তোংবা মীওই অনী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক রিঙ্গুই ভিলেজদগী অম কে চিনাওয়ো অমদি এ এস মহোচিং কৌই।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SCIENCE AND TECHNOLOGY**
**OLD LAMBULANE, IMPHAL-795001**

**AUCTION NOTICE**

Imphal, the 15th September, 2016

No. 4/111/2001 (G) DST; Sealed quotations are invited to reach this Office up to 11.00 A.M. on 01/10/2016 for 1(one) condemned Maruti Gypsy put on public auction which will be opened at 1.00 p.m. on the same day.

2. The full notice with terms and conditions may be seen on the Manipur Goverment wibsite www.manipur.gov.in and DST Notice Board.

Sd/-
**(Uttam C. Laisram)**
DIRECTOR

SLC/1298/21

# চে-চাং তাহৌরে

ঐগী এদুকেসনগী মরী লৈনবা চে-চাং খরা ইম্ফাল বাজারগী মনুংদা তাহৌরে কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী ফোন নম্বর অসিদা পাউ পীবীরকউ অৱামন কৎচগনি।

টি ঐচ গীতা,
থৌবাল, ৱাঙখেম ৯৪৩৬২৭৮৯৪৪

SL/1301/21

**In the Court of Sub-Deputy Collector, Bshikhong Imphal East**

*Ref. :- Mutation Case No. 374/SDC/B/IE/2016*

Atom Bhopen Singh S/O (L) Biro Singh of Khongman Zone (IV) East.

***-Petitioner***

***-Vrs-***

Atom Biro Singh S/O (L) Ningthou Singh of Khongman.

***- Pattadar***

**NOTICE**

*Bashikhong, the 20th Sept 2016*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫১-খোংমন পাট্ট নং ৪৯০ /৪৮৭ অনৌবা দাগ নং ২৮০ / ৬২০ মোট এরীয়া ০.০৭ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অতোম বীরো সিংহ পীতা মৃঃ নিংথৌ সিংহ সাং খোংমন দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওনথোকপীরো হায়না উক্তা কোট অসিদা দরখাষ্ট থারকলে।

মরম অসিদা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৭-৯-১৬ গী পুং ১২ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোর্ট কী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

*SL/1304/22*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector, SALAM**

*Ref. :- Mutation Case No. 409/SDC/IW/SALAM of 2016*

1. Salam Ibecha Leima W/O (L) Salam Kiran Singh of Leitong Basti.
2. Salam Indrajit S/O (L) Salam Damu Singh of -do-
3. Salam Sarjit Meitei S/O -do-.

***-Petitioners***

***-Vrs-***

(L) Salam Damu Singh S/O (L) Thamboucha Singh of Leitong Basti.

***- O. P.Partys***

**NOTICE**

*Imphal, 20/09/2016*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (Late) Salam Damu Singh , পীং মৃঃ Thamboucha Singh সাং Leitong Basti গী মিংদা লৈবা ইম্খোল তহশিলগী খুল নং 75-Luker গী অনৌবা পাট্টা নং 106(N), দাগ নং 176 অমসুং এরিয়ানা 0.59 চাওবা ইম্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি শিং(মচা) অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ- চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইম্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বানা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

*SL/1303/21*

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

### Intelligence Bureau recruitment 2016-17 junior intelligence officer posts

Intelligence Bureau recruitment 2016-17 junior intelligence officer postsIntelligence Bureau recruitment 2016-17 junior intelligence officer posts :- Intelligence Bureau invites application for the position of 320 junior intelligence officer in the intelligence Bureau, (Ministry of Home affairs), government of India. Apply online before 24th September 2016.

Name of post:- junior intelligence officer

Eligibility:- +2 class

Job Location:- All India

Pay Scale:- Rs.5200 – 20200/- Per Month

Last Date:- 24th September 2016

Total No. of Posts:-320 Posts

Age Limit:- The age of the candidate should not be less than 18 years and should not be more than 27 years. The age of the applicant should be as 6th August 2016.

Qualification:- Candidates should have passed higher secondary class with mathematics and physics and two year industrial training course from a recognized institute in Radio technician or electronics or electronics and communication.

Selection Procedure:- The selection of the candidates will be on the basis of written examination and personal interview depending on the number of applications received.

Application fee:- Candidatesare required to pay application fee Rs 50/- through Challan. Schedule caste categories candidates (SC) / schedule tribe categories candidates (ST) and female categories candidates are exempted from application fee.

How to apply:- Candidates may apply online through official website of Intelligence Bureau http://www,mha.nic.in from 3rd September 2016 to 24th September 2016.

Important Dates:-

Starting date for the submission of online application is 3rd September 2016.

last date for the submission of online application is 24th September 2016.

Last date for the deposit of fee is 27th September 2016.

General Instruction:-

All the posts carry all India service liability i.e. the applicants, on selection, may be asked to serve anywhere in the country.

The quarterly employment survey and occupational wage survey schemes are a time bound scheme, the job involves extensive touring with-in the country.

### Tripura TRB Recruitment 2016-2017 for 2115 Teachers Posts

SEPTEMBER 17, 2016 BY HARISHRAJU

Tripura TRB Recruitment 2016-2017 for 2115 Teachers Posts. Tripura Teachers Recruitment Board has released a notification for 2115 vacancies. Interested and eligible candidates may apply online on or before 01st October 2016.Please read the below provided information such as educational qualification, application fees, selection procedure etc. carefully before applying for this job.

Tripura TRB Recruitment 2016-2017 Details:

| | |
|---|---|
| Company Name | Tripura TRB |
| Qualification | Graduate/ Post Graduate |
| Job Location | – |
| Number of Vacancies | 2115 posts |
| Name of the Post | Post Graduate Teacher,Graduate Teacher |
| Salary | Rs.7970-Rs.10,130/- |
| Last Date To Apply | 01-10-2016 |
| Website | www.allindiajobs.in |

Name of the Post:

Post Graduate Teacher:821 posts

Graduate Teacher:1294 posts

Age Limit:

Candidates age should be up to 40 years as on 9th September 2016. Age Relxable by 05 Years for SC / ST / PH and Government Servant.

Pay or salary:

The pay or salary for Post Graduate Teacher post is Rs.10,130/- Fixed Per Month

The pay or salary for Graduate Teacher post is Rs.7970/- Fixed Per Month.

Educational Qualification for Tripura TRB Recruitment 2016-2017:

Post Graduate degree with at least 50% marks in relevant subject (or its equivalent) from recognized University and Bachelor of Education (B.Ed) from NCTE recognised institution. Post Graduate degree with 45% marks in relevant subject and obtained B.Ed degree (as per NCTE Regulations, 2OO2 or NCTE Regulations, 2007) from NCTE recognized lnstitutions. Post Graduate degree in relevant subject with at least 50% marks (or its equivalent) from recognized university and B.A. Ed. / B.Sc. Ed. from any NCTE recognised institution.

Graduate/ Post Graduate from recognized University with at least 50% marks in either Graduation or Post Graduation (or its equivalent) and Bachelor of Education (B.Ed) from National Council for Teacher Education recognised institution. Graduate/ Post Graduate from recognized University with at least 45% marks in either Graduation or Post Graduation (or its equivalent) and Bachelor of Education (B.Ed) from National Council for Teacher Education recognised institution {in accordance with the National Council for Teacher Education (Form of application for recognition, the time limit for submission of application, determination of norms and standards for recognition of teacher education programmes and permission to start new course or training) Regulations, 2002 notified on 13.11.2002 and National Council for Teacher Education (Recognition Norms and Procedure) Regulations, 2007 notified on 10.12.2007}. 04 Years degree of B.A.Ed / B.Sc.Ed from National Council for Teacher Education recognised institution.

Selection Procedure:

The selection will be done on the basis of Mark obtained in "Selection Test for Post Graduate Teachers / Graduate Teachers -Session-2016" subject to verification of certificates and correctness of information given by the candidates in the online application form.

Application Fee:

Candidates are required to pay fee of Rs.300/- for Unreserved Category and Rs.200/- for SC/ST/PH category. Thr Fee must be paid system generated challan within the scheduled date.

How to Apply for Tripura TRB Recruitment 2016-2017:

Interested and Eligible Candidates are required to submit Online Application Form through TRBT Website on or before 01/10/2016

# মাধবী

*ডাক্তর কমল সিংহ*

## অৱাবগী পাউ

খঙহন্নীংদবা থবক, তাহন্নীংদবা পাউ, উহন্নীংদবা পোৎ হায়বা অসি মতম কুইনা খক থূপ্তুনা থম্বা য়াদে। থোইদোক্লসু লাইরিক তম্লিবা ছাত্রশিংনা অহল-লমনগী মমীত্তা উৎ চাইদুনা লাইখুরুম্বা চৎশিন্নদুনা অরেম্বদা কোয়বা, মমান্নবগা লাইরিক ঔরাইমিন্নবা শাদুনা ৱাচোই ঙাংবা অসি পূম্নমক থুনা ফারকই। বীরেনগীসু মদুমক থোকখ্রে। মাগী পাবুংনা চিংনরদুনা বীরেনগী লমচৎ মুন্না য়েংবা হৌরক্লে। লাইরিক ঔরাইফম শঙদা চঙদুনা বীরেনগী লমচৎ মুন্না য়েংবদা লাইরিক অয়াম্বা কোকফাই কাদুনা লৈবা উরে। বীজগনিত, পাটিগণিতনচিংবা লাইরিক খরনা টেবল মখাদা তাদুনা লৈবা উরে। বীজগনিত, পাটিগণিতনচিংবা লাইরিক খরনা টেবল মখাদা তাদুনা লৈরে। শকুন্তলা, কাদম্বরী, সেক্সপিয়ারগী দ্রমানচিংবা লাইরিক খরদি মাগী মোন মখাদা চেকশিন্না থম্বা উই। মাগী নোটবুক্কী মচি-মচি খূদিংদা প্রনয়সঙ্গীতকী কবিতা মচা মচা য়ান্না ইদুনা লৈ। পরীক্ষাদা চহী খূদিংগী মকোক ওইদুনা ফাষ্ট প্রাইজ ফংলমবা অদু হন্দক্তি ফংখিদ্রে। মমাংঙৈদদি মাগী লাইরিকশঙদা লাইরিক তমদবা মমান্নবা অমত্তং চঙবদা য়াম্না শাউরমই। হৌজিক্তি মদুগুম্বা মীতা লাক্লগা তরাম তরাম্না কৌশিনবা উই। চাকশঙদসু মাগী শরুক পুখমগী চাক অদু চখোম অমা অনী হূক্লগা ঈশিং খর থক্কুনা হেক মতোকখি। পূম্নমক অসি য়েংদুনা স্নাখ্বা অসিনা বীরেনগী লমচৎ হোংলে হায়বা খঙলে অমসুং অথাপ্পা মীরৈবাক্তা থাদ্রবদি অসি মহৈ মপূং ফাদনা লমখাঙদা মাঙবা তারে হায়না খনখ্রে।

নোংমা বীরেন্না মাগী লাইরিকশঙদা মথন্নতা ফমদুনা হূরানবগুম্না তুং হন্না হন্না য়েংদুনা উরীরৈদা পীনবা চিঠি অমা ইনবা লাক্নরি, মতম অদুমক্তা মাগী পাবুং খঙহৌদনা চঙলক্কুনা হংলকই- 'করি ইরি'? বীরেন্না -"ঐগী মরুপ অমা কলিকতাগী প্রসিডেন্সি কলেজদা তল্লি, মঙোন্দা চিঠি অমত্তং ইগে তৌরিবনি" হায়না খুমই। মপাবুংনা তাঞ্জা ফংলদুনা "য়াম্না ফরে, প্রসিডেন্সি কলেজদা নঙগী মরুপ লৈ হায়বা, নঙসু হয়েংমক কলিকতাদা চৎলো মফম অদুদা লাইরিক তম্বা তারে, থৌরাং পূম্নমক লোইরে"। অসি হায়রম্লগা থুনা মপান থোকখ্রে। ৱা অদু হেক তাবদা বীরেন অদু মকোক উরু-রু লৈখ্রে। ফননবা হায়দুনা খুম্লুবা পাউখুম অদু হীগায়ৱা ওইখ্রে মথন্নতা ফম্বা ঙমদ্রদুনা মফম অদুদগী চখোকখ্রে।

মথং মথং ...

# চিঞ্জাক

*তেলেম যোগেন্দ্রজিৎ*

## তুম্নবা যন্ত্র

ঐখোয়না চারীবা চীঞ্জাক অদুগী মচী ওইবা শরূক মখৈ লৌহৌরগা মহৌশানা কান্নদবা মচাক অদুনা মপান্দা পুথোরকই। ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক অদুনা ফিবম অসি কায়দনা তুম্লবা অমসুং হকচাং শাগৎহৌরবা চীঞ্জাক অদুনা ফিবম অসি কায়দনা তুম্লবা অমসুং হকচাং শাগৎহৌরগা অরেম্বা মচাক্না মপান্দা পুথোরকপা অসিনা কায়দ্রবদি মীওইবগী মশা নীংথিনা থম্বা ঙমগনি হায়বা চিংনফম লৈতে।

চারিবা চীঞ্জাক অসিগী তুম্নবা থবক্তি চীনদগী হৌই। মরু ওইবা যন্ত্রদি য়া, লৈ অমসুং তিন্নি য়াশিং অসিবু কাঙবু অনী থোকই। মদুদি মাঙদা হৌরিবা অথৌবা য়াশিং অদুনা অকনবা অচৌবা পোৎ চীক্লগা অপাকপা নাকল অনীমক্তা লৈরিবা য়াশিং অসিনা শায়দুনা কূপহল্লি অদুদগী তিনগা তিন্নখিদুনা তুম্বগী থবক হৌই। অদুগা লৈ-না মদু ওত্তুনা চীঞ্জাক্কী মহাও খঙহল্লি। ঐখোয়গী লোন-দা য়া কৌরল্লিবা অসিগী মরম অমা লৈমাল্লে হায়না নীংই। মানা য়াবা পোৎ চাগদবনি অমসুং মানা য়াদবা পোৎ মখৈ থাদোক্কদবনি হায়বসি মহৌশাগী নিয়ম্নি ঃ মসিদগী মাগী মমিং য়া থোনখিবা ওইরম্বা তাই অমসুং অচাবা পোত্তা তিন-না তিলিতল হায়দুনা তিন থোনখিবা ওইরমগনি।

মতৌ অসুম্না তিনগা তিন্নবা চীঞ্জাক অদু চাকখাউদা তারগা মতম খরা লৈ। চাকখাউদি হকচাংদগী ওইদা পৈগী মথক থংবদা য়েৎ-ওইননা লৈ। চাকখাউ অসি হাঙলবদি পীকশন্দুনা লৈ। চরম-দা চীঞ্জাক্না লাক্কুনা চাকখাউদা তাররবা মতম অদুদা চাউথোরক্কুনা চারিবা পোৎ অদু মায়কৈ অমদগী মায়কৈ অমা ফাওবা হন্না হন্না ওন্দুনা লৈ। চাকখাউদা অপীকপা ফ্লেন্তশিং লৈ ঃ মদুদগী তুম্নবা পাচক রস হায়না কৌবা অশীনবা মহী অমা থোকহল্লি। মদুগা তিন্নদুনা চীঞ্জাকশিং অদু অসুম ওনবসিনা লৈনাংগুম মহীগা মপংগা নীংথিনা তিন্নরগা অপীকপা থিবোংদা পুরকই। মতৌ অদুম পুক্তা পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা চঙই। চাঞ্জা অসিদা চনাংগী শরূক অসি লেমহৌই। থীবোং মরিন মচাদা লৈরিঙৈদা ফিরাক্তগী পিত্ত গা তিন্নে অদুদগী পেনক্রিস দগী পেনক্রিএটিক জুইস কৌবা মহী অমগা থোরক্কু না তিল্লে। মহী অনী অসিনা মহাও অমসুং চনাংগী শরূকপু শাঙ্গোম মচু মানবামহী অমা ওলহল্লি অদুদগী মহী ময়াম অসি তিনখ্রগা পোৎশক অমতা ওইনা চিল কৌবা মহী-অমা ওলহল্লি। থীবোং মরিনগী অপীকপা অসি ফুট ২৪ রোম শাংই। মদুদী মনুংদা অপীক অপীকপা মরী মচা-মচা য়াম্না লৈ, লিভারদা চীঞ্জাক্না ওল্লকইবা মহীবু পুশিল্লি অমসুং ঈ ওন্দ্রিঙৈদা শেংদোকই। ফিরাক্তগী অমুক থম্মোয়গী য়েৎথংবা নাকন্দা পুরক্লগা অমুক থম্বোন্বীদা পুরকই।

মথং মথং ...